**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-09-2025)**

**পিএমঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা স্বাস্থ নারি, সাসক পরিবার অভিয়ান অমসুং নিপানশুবা রাস্ট্রিয়া পোসান মাহ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

মধ্য প্রদেসকী ধার জিলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা পি.এম. মিত্রা পার্ক শানবা যাত্রাসু বেনসলা খুলদা হুনখি। মসিগী মথক্তা মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী মখাদা নুপী লাখ ১৫ হেনবদা শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নখি। মসিগী মথক্তা রাজ্য অদুগী ত্রাইবেলশিংগীদমক আদি সেবা পর্ব হৌদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী মখাদা নুপীশিংদা হকশেলগী কেম্পশিংদা শরুক য়াদুনা মশা টেষ্ট তৌথোকবা আপিল তৌখি। মহাকা হায়-পি.এম. মিত্রা পার্ক অসিনা লৌমী অমসুং নহাশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। শ্রী মোদিনা হায়-হন্দক লাক্কদৌরিবা কুম্ন-ফিয়েং অসিদা লৈবাক অসিদা শাজবা পোৎলমতমক লৈবিয়ু।

করবারৱালাশিংনা য়োল্লিবা পোৎশিং অদু লৈবাক অসিদা শাজবা পোৎলমতমক ওইহনবিয়ু হায়না প্রধান মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরদা নেসন ফার্ষ্ট @ ৭৫ কেম্পেইন ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হৌদোকখিবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে। প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা রাজ্যপালদা মীয়ামগী ৱাকৎ পীশিন্নবা গোব কন্নেক্ট হায়বা ৱেব সাইট অমা য়াওরি।

ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল, নেসনেল দাইরি দিবলপমেন্ট বোর্ডকী চেয়ারমেন-ডা: মিনেশ সি সাহ, সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসারশিং, কোরপোরেটিব সোসাইতিগী নুপী মেম্বরশিং, মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

নেসন ফার্ষ্ট @ ৭৫ কেম্পেইনগা লোয়ননা ঙসি রাজ্যপালনা শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা-গোভ কন্নেক্ট, দিল্লি, বেঙ্গলোর অমসুং হায়দ্রবাদতা লৈগদবা মাইগ্রেসন সপোর্ট সেন্টরশিং, কেবিন ক্রুদা থবক চংনিংবশিংগী রেসিদেন্সিয়েল স্কিল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম, তন্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী সার্ভিসশিং অমদি পোর্টেলনচিংবা য়াওরি। মসিগা লোয়ননা নেসনেল দেরি দিবলপমেন্ট বোর্ডনা পীবা লুপা কোতি ৫ গী গ্রান্ট অমসু মনিপুর মিল্ক য়ুনিয়নদা রাজ্যপালনা খুৎশিন্নখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-নেসন ফার্ষ্ট @ ৭৫ কেম্পেইন অসি সরকারগী লৈরিবা স্কিমশিংদা য়ুন্স্ফম ওইরগা শেমগৎপনি।

রাজ্যপালনা হায়-স্কিম অসি চহি চুপ্পা অমা পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিগী মীয়ামশিং মনিপুর চাউখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবা পুকিং থৌগৎপনি। থৌরাং অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মংলান অমা ওইরিবা বিক্সিত ভারতকা মান্ননা শেম্বনি। থৌরম অসিদা নহাশিং অমসুং নুপীশিং য়াওনা নাগরিক পুমমকা মপুং ফানা শরুক য়াদুনা অসিগুম্বা কেম্পেইন অসি মমাংদা কৎথোকখিবা ময়াম অদু নীংশিংদুনা মনিপুরবু মশা-মউ ফবা দিজিটেল্লি শমহনবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. গোয়লনা হায়-গ্রাম উদয় সে ভারত উদয় অভিয়ানগী মখাদা রাজ্য অসিগী পঞ্চায়ট ৭৫ দা ৱার্কশোপ ৭৫ পাঙথোক্কনি। মসিগী মথক্তা ভিক্সিত ভারত হায়বা হীরমদা কালা সংস্কৃত্তিগী ওইবা থৌরমশিং অমসুং জগোই ঈশৈগী চাংদমবশিং পাঙথোক্কনি। লু-নানবগী থৌরম মফম ৭৫ দা পাঙথোক্কনি। অত্মা নিভর ভারত কেম্পেইনগী মখাদা ই-

দষ্ট্রি বিভাগনা শিনদুনা ইগজিবিসন ৭৫ পাঙথোক্কনি।

**বিজেপি (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদগী ৭৫ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা বি.জে.পি-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শিনদুনা মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ. হেদক্বাটরগী অকোইবদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌরগা মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ ওক্তোবর অনি ফাওবা চত্থগদবা সেভা পখৱারাগী শরুক অমা ওইনা চত্থরকখিবা থৌরমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারিময়ুম সরদানা লুচিংদুনা লম-তু শেংখিবনি।

অমরোমদা, বি.জে.পি. যুব মোরচা বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা বাবিনা হোস্পিতালদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরমদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, বি.জে.পিগী জেনরেল সেক্রেটরি-কে. সরতকুমার সিংহ, বি.জে.পি মাইনোরিতি মোরচাগী প্রসিদেন্ট-অস্কর আলি, বাবিনা হোস্পিতালগী চেয়ারমেন-ডা: থাংজম দবলি সিংহনচিংবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**মোরোক (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা ১৪ শুবা সিরারাখোং হাথৈ চিল্লি ফেষ্টিবেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মনিপুর পুলিসকী এ.দি.জি.পি. আই.কে. মুইভা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী আই.কে. মুইভানা খুঞ্জাশিংদা মফম অসিদা পুথোক্লিবা মোরোক মখল অসি য়ামা পুথোক্তুনা মালেমগী চাংদমবগী খোঙজেলদা য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি। কুম্মৈ অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**জিরি (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন, দিষ্ট্রিক্ট মীসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট-জিরিবামনা শিনদুনা রুরেল দিবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়েটি

রাজ বিভাগকী মখাদা প্রধান মন্ত্রি ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রাইজেস স্কিমগী মখাদা জিরিবাম জিলাগী ওইনা বিনিফিসরিশিংদা সিদ কেপিটেল য়েন্থোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী ত্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিরিবাম জিলাগী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন মঙাদগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ তরেৎতা পুন্না বিনিফিসরি ৯ দা শেনফমশিং অদু য়েন্থোকখি।

**নারি (এল)ঃ** স্বাস্থ নারি, সাসক পরিবার অভিয়ান মণিপুরগী ওইনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুমবোংদা লৈবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা হৌদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মধ্য প্রদেসতা পাঙথোকপা জাতিগী থৌরম অমদা অভিয়ান অদু হৌদোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপালসু ভরচুয়েল ওইনা শরুক য়াখি।

খুম্বোংদা পাঙথোকপা থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-নুপীশিংগী হকশেল ফগৎহল্লবা মতমদতা ইমুং অদু মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়-ইমুং অমগী হৌরকফম অসি নুপীশিংনা ওইবনা মখোয়শিংবু মশা-মউ ফনা থমদুনা অফবা মপাঙ্গল লৈবা ইমুং মনুং অমা শেমবা হোৎনবদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। নুপীশিংনা অভিয়ান অসি লোয়খ্রবা মতুং ফাওবদা মখোয় মখোয়গী হকশেল তোয়না চেক তৌবগী হৈনবী লৈনবা খঙহনখি। মনিপুরগী নুপীশিংনা নুপী লাল য়াওনা শান্ন-খোৎনবা, সমাজিক অমসুং শেন্মীৎলোনগী লমদা চাউরবা থৌদাং লৌরি হায়রদুনা রাজ্যপালনা হায়-মনিপুর শিনবা থুংবদা হকশেলগী কেম্প ৪৫০ রোম পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. গোয়লনা হায়-নুপীশিংগী হকশেলদা শেল থাদবা হায়বসি লৈবাক অসিগী তুংগী লম্বীদা শেল থাদবগা চপ মান্নে। মহাকা হায়-হীরম খুদিংমক্তা ফনবগীদমক হকচাং অমসুং ৱাখল ফনা থম্বা

হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। থৌরমদুদা কোন্থৌজম কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ডা: সাপম রঞ্জন সিংহ্ শরুক য়াখি। হৌদোকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ষ্টোল ৩০ হেন্না হাংদুনা নুপীশিংবু লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখি।

স্বাস্থ নারি, সাসক পরিবার অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরম ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদসু পাঙথোকখি। থৌরমদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার শর্ম্মনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মেগা হেলথ কেম্প অমসু পাঙথোকখি অমদি মীওই ৬২ রোমনা ঈ দান তৌখি।

**সপতাহ (এল)ঃ** তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা সেবা পর্বা নেসন ফাষ্ট @ ৭৫ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে। জিলা অসিগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-খারিবম হিটলর সিংহ অমসুং মহাক্কী ষ্টাফশিংনা ফোরেষ্ট ইন্সপেক্সন বঙ্গলোগা অকোইবদা লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

**স্বাচতা(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা জিলা অসিগী ওইনা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেইন ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। লৈবাক শিনবা থুংবদা লু-নানবগী থৌরম চথ্থগদৌরিবা অসি ওক্তোবর অনি ফাওবা চথ্থগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-জিলা অসিগী কর্ম্মচারিশিংনা কেম্পেইন অসি মায় পাকবা হোৎনবদা পুন্না শরুক য়াগদবনি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রি ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রেইজেসকী চেক মনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা খুৎশিন্নখি। কৈনৌ থোংখা কৈথেল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদু লম অহিংবা ভি.এল.এফ কৈনৌ থোংখানা পুন্না শিনবনি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা ৮ শুবা রাস্ত্রিয়া পোসান মাহসু মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতগী হৌদোকখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন জিরিবাম অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস অমসুং নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা পুন্না শিনদুনা সাসক পরিবার অমসুং পোসান মাহ কেম্পেইন ঙসি হৌদোকখ্রে।

জিরিবাম জিলাগী ওইনা হৌদোকখিবা থৌরম অদু জিলা অসিগী নীংশিং খুলদা লৈবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী কম্মুনিতি হেলথ সেন্টরদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা হৌদোকখি।

**ফেরজোল(এল)ঃ** ফেরজোল জিলাদসু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি মননুৱাম চিংনা জিলা থাক্কী স্বাচতা হি সেবা কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

মথং থাগী অনি ফাওবা চথুগদবা কেম্পেইন অদু দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখি। অতোপ্পা থৌরম অমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থা অমা চুপা চথুগদবা মচি ওইবা চিঙ্গাক পীজনবা কেম্পেইন পোসান মাহসু হৌদোকখি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা শিনদুনা ঙসি কম্মিসনগী চেয়ারপার্সনগী ওফিস চেম্বরদা পোসান মাহ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিননিংফম মোনশাংনা হায়-লৈবাক শিনবা থুংবদা চথরিবা কেম্পেইন অসি মচি ওইবা চিঙ্গাক পীজনবগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা চহি খুদিংগী সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোক্লি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদসু রাস্ত্রিয়া পোসান মাহ কেম্পেইন থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার আই.সি.দি.এস. সেল-থৌবাল শিনবা থৌরম

অদুদা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**ঈশিং (এল)ঃ** মনিপুরগী মফম কয়াদা হৌজিকসু ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক রি। মরুওইবা তুরেলশিং, ইরিল, ইম্ফাল, কোংবা অমসুং থৌবাল তুরেলগী তোর্বান কায়বা অমদি ঈশিং পাথোরকপদগী ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী মফম কয়া হৌজিকসু ঈশিং থুমজিল্লি। তোর্বান কায়খিবা মফমশিং থিংনবা সরকার অমদি মীয়ামা কন্না হোৎনরি।

থৌবাল জিলাগী মাইবম কোঞ্জিনদা মফম অহুমদা ইম্ফাল তুরেল তোর্বান কায়বদগী মাইবম উচিৱা, মাইবম কোঞ্জিন, খেলাখোঙ, উচিৱা ৱাংমা, থৌবাল লৈশাংথেম অমদি থৌদামদা ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা নৌনা ঈচাও থোক্লে। য়ুম য়াওনা ঙাগী ফার্ম কয়াসু ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

**হেন্দলুম-জিএসটি (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর-এলাংবম জিতেন সিংহনা হায়রি-কেন্দ্র সরকারগী অনৌবা জি.এস.টি. রিফোম অসিনা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী ৱিভরশিং, আর্টিসিয়ানশিংদা চাউনা কান্না পীরগনি। মসিনা কৈথেলদা য়োল্লিবা পোৎশিং লায়না লৈদুনা শিজিন্নবা ঙমহল্লগনি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা অখন্ননা উন্নবদাঅমদা শ্রী জিতেননা হায়-ভারতনা ইং ২০৩০ ফাওবদা মপান লমদা টেক্সতাইলগী পোৎথোক য়ু.এস. দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৫০ থাদোকবা পান্দম থল্লিবা অসি ফংবদা অনৌবা জি.এস.টি. রিফোম অসিনা চাউনা মতেং ওইবতা নত্তনা মালেমগী কৈথেলদা চাউনা ফিদা কনবা ঙল্লগনি।

মহাকা হায়-হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী পোৎথোকশিংদা লৌরম্বা জি.এস.টি. চাদা ৫ দা হন্থরকপা অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামা খুৎ-শা হৈবগী পোৎথোকশিং লৈদুনা শিজিন্নবা ঙমহনবগা লোয়ননা লমদম অসিগী

শেন্মীৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

শ্রী জিতেননা হায়-হেন্দলম্ অমসুং হেন্দিক্রাফটকী মশক খঙদোকবা পোৎলম ৩৬ তা লৌরম্বা জি.এস.টি. চাদা ১২ দগী চাদা ৫ দা হন্থরে। মসিদা নত্তনা মেন মেদ ফাইবর অমসুং য়ার্নদা লৌরম্বা জি.এস.টি. চাদা ১৮ দগী ৫ দা অমসুং চাদা ১২ দগী চাদা মঙাদা হন্থরে।

**কেম্পেইনঃ** মথং থাগী অনি, গান্ধি জয়েন্তি নুমিৎ ফাওবা চথুগদবা স্বাস্থ্য হি সেবা কেম্পেইন ঙসি কেন্দ্রগী মাইনোরিটি এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না শিনদুনা হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অদু কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা লৈবা গুরুদুৱারা বঙ্গলা সহিবতগী হৌদোকখি। থৌরমদুদা মীয়াম পুন্না স্বাস্থ্যগী ৱাশক লৌমীন্নখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মন্ত্রিনা সফাই মিত্রা সুরক্সা সিভির হৌদোকখি অমসুং সফাই মিত্রশিংদা সফাই কিটশিং য়েন্থোকখি।

**জিএসটিঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়রি-অনৌবা জি.এস.টি. রিফোম অসিনা টেক্স হন্থহন্দুনা লুপা কোতি লাখ অনি রোমগী মীয়ামগী শেনফম কনবা ঙম্লগনি।

বিশ্বাখাপতনমদা ঙসি নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্মগী মতাংদা পাঙথোকপা আউটরিটচ প্রোগ্রামদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা টেক্স সিষ্টেম চাদা ৫ অমসুং চাদা ১৮ লৌবা অসিনা মীয়ামগী নোংমদা চংবা পোৎলমশিং লৈবগী অৱাবা হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়খি। থৌরাং অসিনা লাইরবা মীওইশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

মহাকা মখা তানা হায়-অওনবা অসিনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহল্লগনি। মসিদা নত্তনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা পোৎলমশিংদা লৌবা

টেক্স হন্থহল্লগনি অমসুং মোদরনাইজেসন হেনগৎহল্লগনি। মন্ত্রিনা হায়-থা অসিগী ২২ গী হৌনা জি.এস.টি. রিফোম অসিনা টেক্সকী মওং মতৌ লায়থোকহন্দুনা শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবদা মতেং ওইরগনি। ঐতিহাসিক ওইরবা টেক্সকী অওনবা অসিনা লৈবাক অসিগী নাগরিক পুমমকপু শক্তি পীবগা

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) মনিপুরনা শিনদুনা চথুরিবা অহানবা যুমাম মনাও মেমোরিএল ফোরেষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি.ৱাই.দি.এ. তৌবুলনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. যুমাম খুনৌবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৯ না গ্রুপ অনি থোকা খাইদোক্তুনা চথুরিবা লিগ অসিগী ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা যু.এফ.সি. বিষ্ণুপুরনা ইশোক এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলনা শিনবা দি.সি. চান্দেল ত্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫ গী ফাইনেল মেটচতা ঙসি দামজোল ৱাই.সিনা জাফৌ ৱাই.সিবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

লিগ অসিগী ভেষ্ট প্লেয়ারগী মনা দামজোল ৱাই.সিগী এস.কে. দরৱার লমকাংদা পীখি। পাঞ্জল খ্বাইদগী য়ামা চনখিবা জাফৌ ৱাই.সিগী ডব্লিয়ু. স্ত্রোংঙম মোনশাংদা তোপ স্কোল্লরগী মনা অমদি খ্বাইদগী ফবা গোল কিপ্পরগী মনানা জাফৌ ৱাই.সিগী কে.ইথ্রঙম মোনশাংদা পীখি।